# জর্নেলিষ্ট অমা শকখঙদবা মীওই খরনা ফুরম্বদগী শোক্লে

অগরটালা, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

ত্রিপুরাগী কঞ্চনপুরগী শান্তিপুর খুঙ্গংদা জর্নেলিষ্ট অমা শক খঙদবা মীওই খরনা ফুরম্বদগী শাথিনা শোক্লে হায়রি। শকখঙদবশিংনা ফুরম্বদগী শোক্তুনা লৈরিবা জর্নেলিষ্ট অদু সেয়ান্দন পত্রিকাগী কোরোসপোন্দেন্ট বিকাস দাস কৌই হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

পাউগী লীখুন অমগী মতুং ইন্না বিকাস শান্তিপুর ভিলেজদা করপসনগা মরী লৈনবা পাউ অমগী রিপোর্ট লৌবা চৎখিবনি। শান্তিপুর য়ৌরবা মতুংদা খঙহৌদনা মঙোন্দা মীওই খরনা মী শিহনবা য়াবা খুৎলাইশিং পায়দুনা এটেক চথরকখিবনি। মীওইশিং অদুনা জর্নেলিষ্ট অদুনা তোংলকখিবা কার অদুসু থুগাইরমখি।

বিকাসতা চথরকখিবা এটেক অদু বি জে পিগী মেম্বরসু ওইরিবা শান্তিপুর ভিলেজ কম্মিটিগী চেয়রমেন সিমুল চকমানা লুচিংলগা চথখিবনি। এটেক অদুদগী বিকাস হৈনা শিংনা নাম্থোরতুনা মনাক নক্লা লৈবা জঙ্গল অমদা চেনশিল্লগা লোৎখি। মদুগী মতুং কঞ্চনপুর পুসিল ষ্টেসনদা চত্তুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা রিপোর্ট তৌখি।

মদুগী মতুং মহাক কঞ্চনপুরদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখিবনি। মহাক্কী ফীভম খুদোংথিনিঙাই ওই হায়রি। থৌদোক অদুবু তোঙান তোঙানবা জর্নেলিষ্ট ওর্গনাইজেসন কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মরাল লৈবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা চৈরাক পীনবা তকশিল্লক্লি।

মমাং চহীগী সেপ্তেম্বর থাদসু ত্রিপুরাগী চীফ মিষ্টির বিপ্লব দেব কুমারনা লৈবাক অদুগী জর্নেলিষ্টশিংদা অকি অখং পোকহনবগী থবক চথখিবসু লৈখ্রে হায়রি।




মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লিবা খন্বা থোইবীগী ৱারীদা য়াওরিবা খন্বা অসি কৃষ্ণনা শাইওনবনি হায়বা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও-কলচরেল ওর্গনাইজেসন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা শরুক য়াখিবশিং

# লম কোয়বশিংগী পুক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনরি

ইটানগর, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

অরুনাচল প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অদুদা হান্নদগী লৈরক্লবা পুলিস ষ্টেসনশিং অমদি অনৌবা পুলিস ষ্টেসন কয়া শেমজিন শাজিনবা অমদি শাবগী থবক লোয়শিনখিবগা লোয়ননা লমদম অদুদা লম কোয়বশিং লাকপদা হেন্না খুদোং চানবগীদমক হোৎনরি হায়না অরুনাচলগী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা টিরাপ, চংলাং অমসুং লোংদিং দিষ্ট্রিক্টতা পুলিস ষ্টেসন ২১ শঙ্গাখ্রে। নৌনা শঙ্গাখ্রবা পুলিস ষ্টেসনশিং অসিনা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদা লাকপা লম কোয়বশিংদা চাওনা মতেং পাংহন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

অরুনাচল প্রদেশতা চহী খুদিংগী লম কোয়বা কয়া লেপ্তুনা লাক্লি। অদুবু লম্বীগী চথোক চৎশিন্দা চে চাং মতম চানা পীবা ঙমদবদগী খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্লহল্লি। হৌজিক্তি অনৌবা পুলিস ষ্টেসনশিং অসি লৈরবনিনা লম কোয়বা লাকপা মীওইশিংনা মরুওইবা চে চাং তাম্থোকপদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি হায়রি।

# পুঙ ৪৮ গী ওইনা ড্রাই ষ্টেট লাওথোকখ্রে


গুৱাহাটি, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

থা অসিগী ২৭ তগী পাঙথোক্কদৌরিবা অসাম এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা ঙসি নুমিদাং পুঙ ৬ তগী হৌরগা অসাম ষ্টেটতা পুঙ ৪৮ গী ওইনা ড্রাই ষ্টেট লাওথোকখ্রে হায়রি।

অসামদা তাঙ্কক অহুম থোক্লা ভোৎ থাদনগদৌরি। ভোৎকী থবক থৌরমদা অশোয়বা য়াওহল্লক্তনবগী পান্দমদা অসামদা পুঙ ৪৮ গী ওইনা ড্রাই ষ্টেট লাওথোকখিবনি। অথিংবা অসিগী ময়োক্তা করিগুম্বা ৱাইন শোপশিং হাংলম্বা থেংনরবদি মখোয়গী লাইসেন্স ককপা অমদি য়ু থকচিন্দুনা মীয়াম তিনবা মরক্তা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথরম্বা মীওইশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্নসু ইলেক্সন কম্মিসনগী ৱাফম অসি ঙাক্লা চৎনবা অপিল তৌরকপগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মীয়াম্না মপুঙ ফানা থোরক্তুনা ভোৎ থাদনবসু হায়রি।

## CROSSWORD-3735




**ACROSS**

1 Great painters of the past (3,7)
7 Food fish (7)
8 Attractiveness (5)
10 Probabilities (4)
11 Miserable (8)
13 One who attends to horses (6)
15 Thrifty (6)
17 One who looks on the bright side (8)
18 Notion (4)
21 City of N Italy (5)
22 Put in order (7)
23 Searcher for minerals (10)

**DOWN**

1 Looked at amorously (5)
2 Money owing (4)
3 Thespians (6)
4 Habitually silent (8)
5 Reckless, selfish driver (4,3)
6 Anaesthetic (10)
9 Neither young nor old (6-4)
12 End of line (8)
14 In name only (7)
16 Housing area (6)
19 Giver (5)
20 Determination (4)

**Solution 3734**



SOLUTION ON NEXT ISSUE

# বি জে পিনা অসামগী মীয়ামদা ওইদবা কয়া হায়জিন্দুনা অমদি কিহল্লগা ভোট খোল্লি: ভুপেস



জোরহাট, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনগী অহানবা ফেজগী ওইনা থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনদা বি জে পিনা অসামগী মীয়ামদা ওইদবা কয়া হায়জিন্দুনা অমদি কিহন খঙহল্লগা ভোট খোম্বগী থবক চথরি হায়না ছটিসগরগী চীফ মিনিষ্টর ভুপেস বাঘেলনা ফোঙদোরক্লি।

অসাম কোংগ্রেস পার্টিগী ওবজর্ভরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর ভুপেসনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহী ৫ অসিদা বি জে পিনা অসাম মীয়ামগীদমক তৌগনি হায়বা ৱাফমশিং থবক্তা অমত্তা ওন্থোক্ত্রে। ষ্টেট অসি খক্তা নত্তনা লৈবাক পুম্বদা বি জে পি লৈঙাক্লা চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক অমত্তা পায়খৎপা লৈত্রি। লৈবাক অসিগী মীয়ামগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপগী মহুত্তা নম হাদুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদগী শেল খোমগত্তুনা লৈরে।

অসামদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদসু বি জে পিনা পুকচেল শেংনা ভোট খোম্বগী মহুত্তা ওইদবা ৱাফম কয়া হায়জিন্দুনা কাঙলূপ মশেল খৎনহন্নবা অমদি কিহন খঙহন্দুনা ভোট খোম্বগী থবক চথরি।

বি জে পিনা সেন্তর অমসুং ষ্টেটতা চথরিবা অরানবা থবক থৌওং অসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। অসামগী মীয়াম্না বি জে পিবু ষ্টেট অদুদগী তাম্থোকখিবা পাম্মী। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা গ্রান্দ এলায়েন্সনা চাওনা মায় পাল্লগনি।

অসামদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রবদি লমদম অদুগী মীয়াম্না চিংনরিবা সী এ এ ইমপ্লিমেন্ট তৌরোই অমদি টি ৱার্করশিংগী নোংমগী ওইবা খুৎশুমন হেনগৎহনগনি। হায়রিবা অসি কোংগ্রেসনা অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা ফোঙখিবা মেনিফেষ্টোদা য়াওখ্রবা ঙাক্তনি।

সেন্তরদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লৈঙাক অসিগী মীয়াম্না হীরম কয়াদা অৱাবা মায়োক্লরি। লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈরিবা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিবা ষ্টেটশিংগী ওইনদি ইলেক্সন মমাংদা কোংগ্রেসনা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখিবা থবকশিংগী মনুংদা চাদা ৮০ দি পাঙথোকখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর ভুপেস বাঘেলনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# মাইক্রোফাইনান্স এজেন্টতা এটেক্ট চথদুনা লুট তৌখ্রে

অগরটালা, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

ৱেষ্ট ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সিমনাদা মশক খঙদবা মীওই খরনা মাইক্রোফাইনান্স এজেন্ট অমদা এটেক্ট চথদুনা লুপা লাক্ষ ২ লাক্তুনা চৎখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং থোকখিবনি। মশক খঙদবা মীওইশিং অদুনা এটেক্ট চথখিবা অদুদা এজেন্ট অদুকা হেন্না শোকপদগী মনাকনকপদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখ্রে। মদুগী মতুং মখা তানা লায়েং চথনবগীদমক অগরটালাদা লৈবা জি বি পি হোস্পিটালদা অমুক রিফর তৌখ্রে হায়রি।

থৌদোক্তুদা শোক্লবা এজেন্ট অদু সেপাহিজালা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বিস্রমগঞ্জতগী সুমন দেবনাথ কৌবা অমনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে অমদি থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা লোগী ওইবা চৈরাক পীনবা হোৎনগনি হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবশিং বি জে পিনা নমথনবা হোৎনরি

গুৱাহাটি, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

মার্চ ২৭ তগী হৌরগা অসামদা ফেজ নাইনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা বি জে পিগী লুচিংবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা অসামদা হৌখিবা চহী ৫ অসিদা মখল অমত্তগী খোঙজংশিং চঙশিনখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোক্লিবা অদু ষ্টেট অসিদা সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি নমথনবা হোৎনবনি হায়না অসাম কোংগ্রেসনা ফোঙদোরক্লি।




অসাম কোংগ্রেসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) বু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অসামদা লৈরিবা মীয়াম্না খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লিবা অদু বি জে পিনা উশিন্নদ্রি। সী এ এগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা মীয়ামগী খোঙজংশিংদা পুলিসকা মুক্নরকপদগী অশোক অপন কয়া থোকখিবা অদু বি জে পিগী মীৎয়েংদা মীয়ামগী খোঙজং ওইনা উদ্রি। মসিনা তাকপদি বি জে পিনা মীয়াম্না পামদবা সী এ এবু নমদুনা ইমপ্লিমেন্ট তৌহন্নবা হোৎনরি হায়বনি।

অমিত শাহনা ষ্টেট অসিদা থোকখিবা মীশি মীনাগী থৌদোক কয়া কাওথোক্লগা ইলেক্সনগী খুদোংচাবা খরা ফংনবগীদমক ওইদবা কয়া মীয়ামদা ঙাঙলি। অসামগী মীয়াম্না বি জে পি য়াদ্রে হায়বসি ময়েক শেংলবা ৱাফম অমনি। সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিবা মীওই কয়া অশোক অপন নংখি অমদি শিবা ফাওবা য়াওখ্রে। অদুবু অসামদা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অমদি সেন্তরদা লৈরিবা বি জে পি লুচিংবশিংনসু নোংমতা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুং অমদি অশোক অপন নংলবা মীওইশিংগী মনাক্তা চত্তুনা য়েংশিনখিবা লৈত্রি।

অসামগী চীফ মিনিষ্টর সোনোৱালনসু মতমগী মতুং ইন্না ষ্টেট অদুদা সী এ এ ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মীয়ামনা য়াদবা লৈঙাক অসিবু হৌজিক্তিপরা তম্বীবগী মতম ওইরে। লাক্লিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা অসামদা বি জে পি চাওনা মায়থিরগনি হায়বা খঙবদগী তোঙান তোঙানবা শেমজিন শাজিনবা ৱাহৈ কয়ানা অমদি মীয়ামদগী নমফুদা খোমগৎখিবা শেলশিংনা ভোটর লৈনবা হোৎনরিবা অদু মায় পাকপা ঙম্লোয় হায়রি।

# তঙাখাৎলোন মীচ/EMPLOYMENT NEWS

Odisha Teacher Recruitment 2021: Odisha Public Service Commission (OPSC) invites online applications from eligible candidates for recruitment to the posts of Post Graduate Teachers (PGT) under Science Stream in Group 'B' of State service for the Higher Secondary Schools functioning SC and ST Development Department. The online registration process will be start from 24th March 2021 to 23rd April 2021.
ADVERTISEMENT NO. 12 OF 2020-21
Name of the Post
Total Vacancies
Post Graduate Teachers (PGT)
139
Vacancy Positions:
Physics - 22
Chemistry - 23
Zoology - 14
Botany - 11
Mathematics - 21
Odia - 27
English – 21
Age Limit:
21 to 32 years as on 1st day of January 2021
He / She must have been born not earlier than 2nd January 1989 and not later than 1st January 2000.
Pay Scale: Pay Band of ? 44,900/- in Level 10 of Cell-1 under ORSP Rules, 2017
Educational Qualifications:
Master's Degree (Post Graduate) in concerned subject from a recognized university with at least 50% marks in aggregate.
(OR) Post Graduate M.Sc. course from Regional College of Education NCERT in the concerned subject with minimum 50% marks in aggregate.
B.Ed. or equivalent degree recognized university.
Exam Fee:
A Non refundable fee ? 500/- only for General and OBC category candidates.
No fee for SC, ST of Odisha and Person with Disability.
Selection Process:
Written Examination
Viva Voce Test
How to Apply: Eligible candidates must apply online through OPSC Online Portal (opsc.gov.in) from 24th March 2021. The last date for registration of online applications is 23/04/2021 up to 11:59 PM.

IMD Recruitment 2021: Government of India, India Meteorological Department (IMD) (Ministry of Earth Sciences) Mausam Bhawan, Lodi Road invites applications from eligible Indian Citizens for filling up of posts of Scientist 'C', 'D' and E levels in India Meteorological Department Ministry of Earth Sciences (Proper) on direct recruitment basis. The last date for submission of online applications is 12th March 2021.
Advertisement No. 01/2021-IMD
Name of Post
Total Vacancies
Scientist 'E' (Forecasting)
03
Scientist 'E' (Instrumentation)
03
Scientist 'E' (Computer / IT)
02
Scientist 'D' (Forecasting)
14
Scientist 'D' (Instrumentation)
08
Scientist 'D' (Agriculture Meteorology)
04
Scientist 'D' (Computer / IT)
03
Scientist 'C' (Forecasting)
14
Scientist 'C' (Instrumentation)
03
Age Limit:
Scientist 'E': 50 years
Scientist 'D': 50 years
Scientist 'C': 40 years
Pay Scales:
Scientist 'E': Pay Level-13 (123100-215900) in Pay Matrix as per 7th CPC
Scientist 'D': Pay Level-12 (78800-209200) in Pay Matrix as per 7th CPC
Scientist 'C': Pay Level-11 (67700-208700) in Pay Matrix as per 7thCPC
Educational Qualifications:
Forecasting: Master's Degree in Physics or Mathematics or Chemistry or Meteorology or Atmospheric Science/ Atmospheric Physics or Oceanography or Geophysics (with Meteorology)/ Remote Sensing or equivalent subject with at least 60% marks at the qualifying degree level.
Instrumentation: Master's Degree from a recognized university in Electronics or Instrumentation or equivalent subject with at least 60% marks(First Class) at the qualifying degree level.
(OR) Bachelors Degree in Engineering or Technology in Electronics/ Instrumentation/ Electrical/ Telecommunication/ Mechatronics Engineering or equivalent subject with at least 60% marks (first class) at the qualifying degree level.
Computer/ Information Technology (IT): Master's Degree from a recognized university in Computer Science or Computer Applications/ Information Technology or equivalent subject with at least 60% marks at the qualifying degree level.or Bachelors Degree in Engineering or Technology from a recognized University in Computer Science/ Information Technology or equivalent subject with at least 60% marks at the qualifying degree level.
Agriculture Meteorology: Master's Degree in Agricultural Meteorology/ Agricultural Physics or equivalent subject with at least 60% marks.
Experience:
Scientist 'E': Minimum 11 years' experience in relevant field.
Scientist 'D': Minimum 07 years' experience in relevant field.
Scientist 'C': Minimum 03 years' experience in relevant field.
Selection Process: Interview.
How to Apply: Eligible Interested candidates apply online only through incois.gov.in. The last date for receipt of online application is 42 days (i.e. Last date for submission of applications is 12/03/2021), 60 days for those in Assam, Meghalaya, Arunachal Pradesh, Mizoram, Manipur, Nagaland, Tripura, Sikkim, Ladakh UT, Lahaul and Spiti District, Pangi Sub Division of Chamba District of Himachal Pradesh, Andaman & Nicobar Islands and Lakshadweep) from the date of publication of this advertisement in Employment News paper dated 30th January 2021 (i.e. Last date will be 30/03/2021).

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3534

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 4 | | | | 6 | | 3 | |
| | 2 | 6 | | 8 | | | | |
| | 7 | | 5 | | 3 | | | |
| | 6 | | 9 | 1 | | | | |
| | | 8 | | | | 2 | | |
| | | | | 2 | 5 | | 9 | |
| | | | 8 | | 1 | | 7 | |
| | | | | 7 | | 5 | 6 | |
| | 5 | | 3 | | | | 8 | 4 |

## Solution-3533

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 7 | 2 | 6 | 8 | 3 | 4 | 1 |
| 3 | 4 | 1 | 7 | 9 | 5 | 8 | 2 | 6 |
| 6 | 8 | 2 | 1 | 3 | 4 | 7 | 9 | 5 |
| 7 | 1 | 4 | 3 | 5 | 9 | 6 | 8 | 2 |
| 2 | 6 | 9 | 8 | 4 | 7 | 5 | 1 | 3 |
| 8 | 5 | 3 | 6 | 1 | 2 | 4 | 7 | 9 |
| 1 | 7 | 5 | 4 | 2 | 6 | 9 | 3 | 8 |
| 4 | 3 | 6 | 9 | 8 | 1 | 2 | 5 | 7 |
| 9 | 2 | 8 | 5 | 7 | 3 | 1 | 6 | 4 |







